# 'আই এস আই এল-কেনা অফঘানিষ্টানদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী মায়োক্তা টেরর এটেকশিং চথগনি হায়না কিহনবা লৈরে'



ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ৮ (এজেন্সী): টালিবান অমসুং সেন্ট্রেল অমদি সাউথ এসিয়া লমদমগী য়ুএন মেম্বর ষ্টেটশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী টেরর গ্রুপ আই এস আই এল-কেনা থুগায়নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ইন্দিয়া, ইরান অমসুং চাইনাগী এম্বেসিশিংগী মায়োক্তা টেরর এটেকশিং চথরগনি হায়না কিহনবা লৈরে হায়না য়ুএনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মসি আই এস আই এলনা কিহনবগা মরী লৈনবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী রিপোর্ট অমদা পনখিবনি। আই এস আই এল (দাইস) না ইন্টরনেসনেল পিছ অমসুং সেক্যুরিটিদা অমদি মেম্বর ষ্টেট কয়াবু মতেং পাঙনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হোৎনরিবা কয়াদা পীরিবা থ্রেটকী মতাংদা পুথোকপা সেক্রেটরি জেনরেলগী ১৬ শুবা রিপোর্টনা হায়, ইস্লামিক ষ্টেট ইন ইরাক এন্দ ড লেবন-খোরাসন (আই এস আই এল-কে) গী এক্তিভিটিশিং সেন্ট্রেল অমসুং সাউথ এসিয়াদা হৌজিকসু মখা তানা অচৌবা টেররিষ্ট থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি।

গ্রুপ অসিনা মপানদা টেরর ওপরেসন কয়া চথনবা থৌরাং তৌরি। সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা শগোলশেল নুমিত্তা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা টেররিষ্টশিংগী থবক থৌওংশিংনা ইন্টরনেসনেল পিছ অমসুং সেক্যুরিটিদা পীরিবা অকিবশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি।

মীফম অদুদা অন্দর-সেক্রেটরি-জেনরেল ওফ ড য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ওফ কাউন্টর-টেররিজম ব্লাদিমির বোরোনকোবনা রিপোর্ট অদু পুথোক্কনি। য়ুএন-সেক্রেটরি জেনরেলগী টেরর থ্রেটকা মরী লৈনবা রিপোর্ট অদু হৌখিবা চয়োলদা ইস্যু তৌখিবনি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি আই এস আই এল-কেনা গ্রুপ অসি টালিবানগী মরু ওইবা রাইবেল অমা ওইনা লৈনবা হোৎনরি অমদি গ্রুপ অসিনা টালিবানবু অফঘানিষ্টানদা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়বসি মালেম পুম্বদা খঙহনবা পাম্মী। দিপ্লোমেটিক মিশনশিংদা টার্গেট তৌদুনা ইস্লামিক ষ্টেট ইন ইরাক এন্দ ড লেবন-খোরাসাননা টালিবান অমসুং লমদম অসিগী মেম্বরশিংগী মরীদা অকায়বা থোকহনবা পাম্মী। রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, গ্রুপ অসিনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং ইস্লামিক ওফ রিপব্লিক ওফ ইরানগী এম্বেসিশিংগী মায়োক্তা টেরর এটেকশিং চথরগনি।

হৌখিবা চহীগী জুনদা ইন্দিয়ানা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈরিবা মসিগী এম্বেসিদা টেক্নিকেল টিম অমা দিপ্লোই তৌদুনা দিপ্লোমেটিক মিশন অমুক হন্না থবক তৌবা হৌহনখি। মদু টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিবদগী মিশন অদুগী ওফিসলশিং লৌথোকখিবা মতুং থা তরা হেন্না কান্নরগনি। কাবুলদা ইন্দিয়ন এম্বেসি অমুক হন্না হাংদোক্লিবদু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী সেনিয়র ওফিসল জেপি সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়ন টিম অমনা কাবুলদা চৎতুনা এক্তিং ফোরেন মিনিষ্টর মৌলাৱি অমির খান মুতাকি অমসুং টালিবান দিস্পেন্সেসনগী অতৈ মেম্বর খরা উন্নরবা মতুংদনি।

সেক্রেটরি জেনরেলগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা কাবুলদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিদা চথখিবা এটেক অমনা টালিবাননা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবদগী অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক মিশন অমগী মায়োক্তা চথখিবা অহানবা এটেক ওইখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পাকিষ্টানগী এম্বেসি অমসুং চাইনিজ নেসনেলশিংনা তোইনা চঙবা হোটেল অমদা চথখিবা এটেকশিং আই এস আই এল-কেনা ক্লেম তৌখিবনি। সেন্ট্রেল অমসুং সাউথ এসিয়ন রিজনদা লৈরিবা য়ুএন মেম্বর ষ্টেটশিংনা আই এস আই এল-কেগী হৌজিক লৈরিবা ষ্ট্রেংথ অসি ফাইটর ১০০০ অমসুং ৩০০০ গী মরক্তনি হায়না পায়।

# এন এস এ অজিৎ দোবালনা মোস্কোদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিনগা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা শগোলশেল নুমিত্তা মোস্কোদা মখল মখা কয়াগী হিরমশিং খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী লম্বীদা হেন্না য়াংনা খোঙ থাংজিনবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

মোস্কোদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা হায়খি, মদুদি খন্ন-নৈনখিবশিং অদু বাই লেটরেল অমসুং রিজনেল ইস্যুশিংদা মীৎয়েং থমখি। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ন এম্বেসিনা ইস্যুশিং অদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

এম্বেসিগী ত্বিট অমনা হায়, এন এসএ অজিৎ দোবালনা প্রসিদেন্ট পুটিনগা উনখি অমসুং লৈবাক অনীগী অমদি রিজনেলগী ওইবা ইস্যুশিং খন্ন-নৈনখি। এন এস এ দোবালনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী ওইবা মহাক্কী রসিয়া খোঙচৎ হৌখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা রসিয়ন এম্বেসেদর দেনিস অলিপোপনা রসিয়ানা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরী অহেনবা হিরমশিং কোনশিনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এন এস এগী রসিয়া খোঙচৎ অসি এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা মতম শাংলক্লবা পার্টনর লৈবাক অসিদগী ইন্দিয়ানা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াওনা লৈবাক অনীগী ইকনোমিক এনগেজমেন্টশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুং থা অহুম্লোম লৈরগা পাঙথোক্লিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রসিয়ানা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা সেক্রেটরি ওফ সেক্যুরিটি কাউন্সিলস/এন এস এস ওন অফঘানিষ্টানগী মঙাশুবা মীফমদা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা দোবালনা হায়খি, লৈবাক অমত্তনা অফঘান টেরিটরিবু টেররগী থবক থৌওংশিং এক্সপোর্ট তৌবদা শীজিন্নহল্লোইদবনি। ইন্দিয়ানা কৈদৌঙৈদসু অফঘানিষ্টানগী মীয়াম্না অৱাবা নঙলবা মতমদা থাদোকপা নত্ত্রগা তুমিন্না লৈবা তৌরোই। রসিয়া অমসুং ইন্দিয়াদা নত্তনা মীফম অদুদা ইরান, কাজাখষ্টান, কিরগিষ্টান, চাইনা, টাজিকিষ্টান, টুর্কমেনিষ্টান অমসুং য়ুজবেকিষ্টানগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংসু শরুক য়াখি। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি ২০ ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফমগী মাঙওইননা দোবালনা মোস্কোদা ভিজিট তৌরিবনি।

# য়ুহা হাবদা শিখিবা মীশিং ১৬,০০০ হেনখ্রে মীওই লিশিং কয়া চিঞ্জাক, ঈশিং য়াওদনা লেন্নরে



অঙ্করা/দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): মেগ্নিট্যুট ৭.৮ কী কল্লবা য়ুহাদা শিখিবা মী মশিং শগোলশেল নুমিত্তা ১৬,০৩৫ য়ৌখিবগা লোয়ননা পাক্তক্লনা উন তাবা নিংথম থাগী কা হেন্না ঈংলবা ফিভম মরক্তা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা মীওই লিশিং কয়া চিঞ্জাক, ঈশিং অমসুং সেল্টর য়াওদনা ৱানা লেল্লি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টর্কিগী দিজাষ্টর এন্দ ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এ এফ এ দি) না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙবা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা অপদেটতা হায়, শিখিবশিংগী মশিং হৌজিক ১২,৮৭৩ নি অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৬২,৯৩৭ য়ৌরে। মীশি মীনাশিং অমদি পাকশন্না অমাঙ অতা থোক্লিবদু অদানা, অদিয়ামন, দিয়াবর্কি, গাজিয়নটেক, হাটাই, করামন মরাস, কিলি, মালাটয়া, ওস্মানিয়ে অমসুং সনরিউফাদা থোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ছর্স অমসুং রেস্ক্যু পর্সনেল ১১৩,২০০ হেন্না ফিল্ডদা থবক তৌরি হায়না পল্লদুনা এ এফ এ দিনা মসিগী অপদেটতা হায়। হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৮,০৪৪ য়ুহাগী চৈথেং চাওনা নঙলবা লমদমশিংদগী হোন্দোকখ্রে। মীওই ৪,৬০৭ রোদ অমসুং রেলৱেগী খুথাংদা হোন্দোকখি অমসুং মীওই ২৩,৪৩৭ না এয়র লম্বীগী খুথাংদা হোন্দোকখি।

টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগা নিগোসিএসন চথবদগী অতৈ লৈবাকশিংদগী লাকপা পর্সনেল ৫৭০৯ দিজাষ্টর এরিয়াদা থাখ্রে। রেস্ক্যু টিমশিংদা নত্তনা ব্লাঙ্কেট, টেন্ট, ফুদ অমসুং সাইকোলোজিকেল সপোর্ট টিমশিংসু মফমশিং অদুদা থাখি। এ এফ এ দিগী মতুং ইন্না য়ুহা অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং লৈহন্নবগীদমক পুন্না ফেমিলি টেন্ট ৯২,৭৩৮ খনগৎখি।

চৈরকসিদা সিরিয়াদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা শিহনখিবা মী মশিং হৌজিক ফাওবদা ৩,৪৮০ শুরে অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৩০০০ রোম শুরে হায়না ৱার মোনিটর অমগী রিপোর্টনা হায়রি।

শিরিবশিং অদুদা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা সিটিশিংদগী মীশি ১,৫৭০ রিপোর্ট তৌখিবনি অমসুং রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদনা মীশি ১,৯১০ রিপোর্ট তৌখি।

# জেলেন্সকিনা ফ্রান্স অমসুং জমর্নিদা ফাইটর জেটশিং পীরক্নবা তকশিনখ্রে

পেরিস, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফ্রান্সকী মহাক্কী লেঙমান্নবা ইমান্যুএল মেক্রোন অমসুং জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলসতা ফাইটর জেটশিং পীরক্নবা তকশিনখ্রে।

জেলেন্সকিনা লূচিংবা অনীগা পেরিসতা য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা উন্নখি। মদু য়ুকেদা চৎপা মহাক্কী নোংমগী ওইবা খোঙচৎ লোইরবা মতুংদনি। মেক্রোন অমসুং সোলসকা লোয়ননা পাঙথোকপা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক রসিয়াগা শোক্নরিবা লান অসিদা ফ্রান্স অমসুং জমর্নিনা অহোংবা চাওনা লাকহনবা ঙমগনি।

কিভতা লানগী অচৌবা টেঙ্কশিং, মতমগা চুন্নরবা অৱাংবা টেক্নোলোজি ফাইটর প্লেনশিং অমসুং অশানবা মিসাইলশিং পীদুনা লান অসিদা শোয়দনা অহোংবা লাকহনবা ঙমগনি।

য়ুরোপিয়ন খুদিংমক্কী ওইনা য়ুরোপকী ইফেক্তিব কন্টিনেন্টেল এল্লায়ন্স অমা লৈহনবা মথৌ তাই। রসিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিং য়ারিমখৈ থুনা লেপহনবা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাবা থবক্নি।

জেলেন্সকিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেননা অশানবা খুৎলায়শিং থুনা ফঙলিমখৈ অমসুং ঐখোয়গী পাইলোটশিংনা মোর্দন এয়রক্রাফট থুনা শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফঙলিমখৈ অমদি ঐখোয়গী টেঙ্ক কোল্লিসনগী মপাঙ্গল কল্লিমখৈ রসিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওং থুনা লেপহনবা ঙম্বগা লোয়ননা ঐখোয়না য়ুরোপতা য়াম্না থুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা ঙমগনি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা মেক্রোননা হায়খি, মদুদি ফ্রান্সনা মতেং পাঙবগী ৱাফম অসিদা য়ুক্রেননা থাজগদবনি। মায় পাক্ন বগীদমক্তা ফ্রান্সনা য়ুক্রেনবু মতেং পাঙননবা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদুনা লাকখি।

জর্মন চাঞ্চেল্লর সোলসনা জেলেন্সকিদা থাজবা পীরদুনা ঐখোয় পুম্বনা মহাক্কী অমদি মহাক্কী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# ঈকংগী অৱাবা নঙলবা সোমালিয়ন মিলিয়ন ৭.৬ মতেং পাঙনবা দোল্লর বিলিয়ন ২.৬ মথৌ তারি

মোগাদিসু, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): থংন থংননা নোংজু থাগী মতম মঙা নোং কা হেন্না লীক্লা চুবদগী শাথিরবা ঈকংগী ফিভম খ্বাইদগী হেন্না শাংনা মায়োক্লদুনা লৈরিবা ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক সোমালিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৭.৬ পু মতেং পাঙননবা হ্যুমেনিটেরিয়ন গ্রুপশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ২.৬ মথৌ তাই হায়না য়ুএন অমসুং মসিগী পার্টনরশিংগা লোয়ননা সোমালিয়ন ষ্টেট অমসুং ফেদরেল ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম হায়বদি মীওই মিলিয়ন ৮.২৫ শাথিরবা ঈকংগী ফিভম অসিদগী ঙাকথোক্নবা খুদক্তা মতেং অমদি প্রোটেক্সন পীবা মথৌ তাই।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না অৱা অনা তারবশিংগীদমক মতেং লেপ্তুনা পীদবা তারবা অমদি নোং মরাং কায়না তারক্তবা থোক্লবদি এপ্রিল অমদি জুনগী মরক্তা চাক্তাংবা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। য়ুএন হ্যুমেনিটেরিয়ন কোওর্দিনেটর অদাম অপদেলমোলানা হায়, লোকেল কম্যুনিটিশিংনা কন্না হোৎনবা অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ন মতেং পীবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা ৱাংখিবনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২২দা চাক্তাংবগী ফিভম লাক্কদবদগী কনবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিকসু মীওই মিলিয়ন কয়া শাথিরবা ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লরি।

য়ুএন ওফিস ফোর ড কো ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটেরিয়ন এফিয়র্স (ও সি ঐচ এ) না মরম ওইদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা হোর্ন ওফ অফ্রিকাদা শাবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা নোং লিকপা অমদি কংবসু হেনগৎলক্লি। হিংনবগীদমক্তা য়ামদ্রবদা লমদম অসিগী মীওই মিলিয়ন ৩৬.৪ ইমর্জেন্সি মতেং মথৌ তাই। সোমালিয়াদা মীওই মিলিয়ন ১.৪ ময়ুম মকৈ থাদোক্নখিবগা লোয়ননা য়ুমদা অমদি ফার্মদা লোইবা শা মিলিয়ন ৩.৫ শিখ্রে।

# মালিয়ন আর্মিনা স্পিসল ওপরেসন চথদুনা টেররিষ্ট ৩৪ হাৎখ্রে

বামাকো, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬-৭ কী অহিংদা সেন্ট্রেল মালিগী মোবতি রিজনগী মনুং চনবা কোরিয়ন জে এরিয়াদা জি এ টি (আর্মদ টেররিষ্ট গ্রুপ) গী মায়োক্তা চথখিবা স্পিসল ওপরেসন অমদা টেররিষ্ট ৩৪ হাৎখি হায়না মালিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী জেনরেল ষ্টাফনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ওপরেসন অদুদা একে-৪৭ রাইফলশিং অমসুং এন্টি-টেঙ্ক রোকেট লোঞ্চরশিং য়াওনা য়াম্লবা খুৎলায়শিং অমসুং এম্যুনেসনসু রিকোভর তৌখি। ওপরেসন অসি মালিয়ন আর্মি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা তান্নরগা পাঙথোকখিবনি।

এরিয়া অদুদা এক্তিব ওইরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী কম্মান্দচেন এনালাইসিস চথবগা লোয়ননা ঈ পাউ কয়া খোমগৎলবা মতুংদা চথখিবনি। জেনরেল ষ্টাফনা মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়, মালিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী প্রোফেস্নেলিজম, মখোয়না চথখিবা এক্সনগী খোঙজেল অমদি হৈ শিংবা কয়ানা কলেটরেল দেমেস অমত্তা থোকহনখিদে। ওপরেসন অদুদা এফ এ এফ এগী মায়কৈদা শিবা নত্ত্রগা শোকপা পনবা অমত্তা থোকখিদে।

কুমজা ২০১২ তগী মালিদা সেক্যুরিটি, পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক লেভেলশিংদা ক্রাইসিস মখল কয়া থোক্তুনা লাকখি। নিংতম্বা ফঙনবা লান হৌবা, জিহাদিষ্টশিংনা খুৎলায়শিং পায়রগা থোমজিল্লকপা অমদি কাঙলূপ মশেলগী ওইবা ভাইওলেন্সনা মরম ওইরগা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা মীওই লিশিং কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং চা কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি।


IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 85/SDC/SLG/IE of 2023

Dated: 9/02/2023

Loukham Anita Devi, W/o Late Thokchom Sunil Singh of Nongmeibung Nambam Chuthek -Petitioners

-Vs-

Late Thokchom Sunil Singh, S/o (L) Th. Krishna Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai (Late Co-Pattadar No. 1) -Opposite Party

/ NOTICE

Sagolmang, the 9th February, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 23-Keibi Kumuda পাট্টা নং 44 (অরিবা) 104 (অনৌবা), দাগ নং 1156 মোট এরিয়া 0.40 একর চাওবা ইঙ্খোলগী কো- পাট্টাদার নং. ১ মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East

HL-P/6018/10


# মেথমফেটামিন কেজি ১৩০ ইম্পোর্ট তৌরম্বা মীওই অহুম ওষ্ট্রেলিয়ন পুলিসনা ফারে

সিদনি, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): মীওই অহুম ফাবগা লোয়ননা মখোয়বু য়াম্না মতিক ময়াই লৈরবা অমদি অদুক্কী মতিক লাইচুগল্লবা দ্রগ মেথমফেটামিন কেজি ১৩০ ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটতা ইম্পোর্ট তৌরম্বগী মরাল শীখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

এন এস দব্লিয়ু পুলিস ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবদা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা ওর্গনাইজ দ্রগ-রিলেটেদ ক্রিমিনেল সিন্দিকেট অমগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা লোঞ্চ তৌখি।

চহী অসিগী জনুৱারীদা বোর্দর পুলিসনা ষ্ট্রিট ভেল্যু ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ১১৫ (য়ুএস দোল্লর ৮০ মিলিয়ন) গী দ্রগ কেজি ১৩০ ইন্টরসেপ্ট তৌখি। দ্রগ ময়াম অদু পেরাফিন ৱেক্সকী স্লেবশিংগী মনুংদা লোৎলগা পুরম্বনি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৪০ রোম তাবা মতমদা সিদনিগী সোপ্পিং সেন্টর অমগী মনুংদা চহী ৩০ খরা হেল্লক্লবা মীওই অহুম অদু ফাখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না মীওই অহুম্মক কন্ট্রোল তৌবা দ্রগ কর্ম্মসিএল ক্বান্টিটিশিং ওইনা ইম্পোর্ট তৌরম্বগী মরাল শীখি। মখোয়না লোকেল কোর্টতা থাখিবা বেলসু রিজেক্ট তৌখি। এন এস দব্লিয়ু ষ্টেট ক্রাইম কম্মান্দগী দ্রগ স্কৱার্দকী মকোক ষ্টুৱার্দ গোর্দননা হায়খি, মদুদি গ্রুপ অসি অতোপ্পা ক্রিমিনেল সিন্দিকেট অমগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা খঙলকখিবনি। অসিগুম্বা মখলগী এক্তিভিটি অসিদা চেন্নবশিং অদু আইদেন্টিফাই তৌননবা ঐখোয়না লো এনফোর্সমেন্ট পার্টনরশিংগা খুৎশম্নদুনা মখা তানা হোৎনখিগনি।

অসিগুম্বা ওর্গনাইজ ক্রাইমদা চেন্নবদগী থোক্লকপা য়াবা ফিভমদি চহী কয়া জেলদা লৈবা অমসুং য়ুম-কৈশিং, কারশিং অমদি অসিগুম্বা থবক তৌবদগী ফঙখিবা পোৎচৈ খুদিংমক মাঙখিবা অসিনি হায়খি।

# বসনা দে ক্যের সেন্টরদা থোম্বদা অঙাং ২ শিরে

মোন্ট্রিএল, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী): কানাদাগী মোন্ট্রিএল সিটিগী অৱাংদা লৈবা লবালদা দে ক্যের সেন্টর অমদা খঙহৌদনা বস অমা থৌজিল্লকপদগী অঙাং অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নঙলে হায়রি।

লোকেল মেদিয়া পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা সিটি বস অদুনা সেন্ট-রোজ দে ক্যেরদা শাফু কন্না থোমজিল্লকখি। খুদক্তা মফম অদুদা অঙাং অমা শিখি অমসুং অতৈ তরেৎনা হোস্পিটলাইজ তৌখি। চহী অহুম অমসুং মঙাগী মরক্তা লৈবা অঙাং মরি তোঙান তোঙানবা মখলগী ট্রোমাগা লোয়ননা হোস্পিটলাইজ তৌখি। অঙাংশিংদুগী মনুংদা অমা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা হোস্পিটালদা শিখি।


IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 86/SDC/SLG/IE of 2023

Dated: 9/02/2023

1) Mongjam Pemcha Devi, W/o (L) M. Chaigoi Singh of Yumnam Khunou Makha Leikai
2) Mongjam Rupindro S/o (L) M. Chaigoi Singh of Yumnam Khunou Makha Leikai
3) Mongjam Labango Singh S/o (L) M. Chaigoi Singh of Yumnam Khunou Makha Leikai
4) Mongjam Joychandra Singh S/o (L) M. Chaigoi Singh of Yumnam Khunou Makha Leikai
5) Mongjam Abungcha Singh S/o (L) M. Chaigoi Singh of Yumnam Khunou Makha Leikai -Petitioners

-Vs-

Late Mongjam Chaigoi Singh, S/o (L) Gopal Singh of Yumnam Khunou -Opposite Party

/ NOTICE

Sagolmang, the 9th February, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 2-Yumnam Khunou পাট্টা নং 317 (অরিবা) 336 (অনৌবা), দাগ নং 2229 মোট এরিয়া 0.38 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East

HL-P/6018/10



(NOTICE UNDER ORDER V RULE 20. C.P.C.)

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL WEST AT LAMPHELPAT

Original (Money) Suit No. 78 of 2020

Bank of Baroda, Imphal Branch ---- Plaintiff

Versus

1. M/S Universal Mobile Centre represented by its Proprietor, Shri Nongmaithem Bikom Singh and 1 another ---- Defendants

To,

1. **Nongmaithem Thanil Singh**, f/o Nongmaithem Bikom Singh, aged about 60 years, resident of Kshetri Leikai, Porompat.
2. **Nameirakpam Amita Devi**, aged about 52 years, W/o Y. Deepak Singh of Keishamthong Elangbam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur - 795001.

WHEREAS, the about named plaintiff has instituted a suit against you for recovery of money and whereas you are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way and also by registered post. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by pleader duly instructed and able to answer all such questions on 31st March, 2023 at 10:30 A.M. to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the Court shall pronouce Judgement against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Courts this 23rd day of January, 2023

SEAL

By:- Advocate

Sd/-
Nepram Sonykumar
Civil Judge Senior Division, Imphal West

HL-P/6012/10&11



THE MANIPUR WOMEN'S CO-OPERATIVE BANK LTD.

Paona Bazar, Imphal Manipur

পোজেসন নোটিস

(ইম্মুবেবল প্রোপর্টিগী) রুল-৮ (১)

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা মণিপুর ৱিমেন'স কো ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস ২০০২ গী রুল (৩) গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাগী বোরোৱরশিং অসিদা দিমান্দ নোটিস (শিং) ইস্যু তৌদুনা নোটিস (শিং) অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস (শিং) গী তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা পীথোক্নবা খঙহনখি।

বোরোৱর (শিং) না শিংফম থোকফম শেনফম শিংবা ঙমদবদগী মখাদা খুৎয়েক পীরিবা অসিনা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমসুং মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল (৮) গী মখাদা মঙোন্দা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি মখোয়গী মমিংশিংগা চান্নলা মখাদা পল্লিবা তারিক্তা লৌশিল্লে হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমসুং মীয়ামদা নোটিস অসিনা খঙহল্লি। প্রোপর্টিশিং অসিবু দিল তৌদনবা অমদি প্রোপর্টিশিং অসিগী দিল্লিং চথবা তারবসু মখাদা পল্লিবা শেনফম (শিং) অমসুং ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা প্রোপর্টিগী শরুকশিং অদুগী ওইনদি মণিপুর ৱিমেন'স কোওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী অয়াবা লৌগদবনি হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমদি মীয়ামদা খঙহল্লি।

| সে নং. | বোরোৱর অমসুং গরেন্টরগী মিং অমসুং এদ্রেস অমসুং একাউন্ট নম্বর | (১) নোটিসকী তারিখ (২) দিমান্দ নোটিসকী মতুং ইন্না শীংদোক্কদবা শেনফম (৩) সিম্বোলিক ওইনা লৌশিনখিবগী তারিক | প্রোপর্টি (শিং) গী মওং মতৌ |
|---|---|---|---|
| ০১ | শ্রী থোকচোম মোহোন সিংহ, অপোকপা (লৈখিদ্রবা) টিঐচ মাঙ্গোলজাও সিংহ অমসুং গরেন্টর শ্রীমতি টিঐচ (ওংবী) জয়শ্রী দেবী, মপুরোইবা টিঐচ মোহোন সিংহ, লৈফম্না কৈশামথোং হোদাম লৈরক, ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুর এ/সি নং. ১০০২২০০১৮০০০০০২ | (১) ১৮-১১-২২ (২) লুপা ৯,১২,৪৫৩/- (৩) ০৪-০২-২০২২ | সিএস দাগ নং. ৪৩৪৭/৪৯৯৯, পাট্টা নম্বর ৬৭২ (অরিবা), ৫৫৪/৩৬১৭ (অনৌবা) ওইবা ভিলেজ নম্বর ৪২, কৈশামথোং রিভেন্যু ভিলেজ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা |
| ০২ | শ্রী লুৱাংথেম জ্ঞানেন্দ্র দাস, অপোকপা (এল) গিরিন্দ্র দাস অমসুং গরেন্টর শ্রীমতি এল (ওংবী) ওমিলা দেবী, মপুরোইবা শ্রী লুৱাংথেম জ্ঞানেন্দ্র দাস, লৈফম্না কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুর এ/সি নং. ১০০২২০০১৯০০০০০২ | (১) ১৮-১১-২০২২ (২) লুপা ৫,২০,২৩৬/- (৩) ০৩-০২-২০২৩ | সিএস দাগ নং. ১৮১৬২ অমসুং ১৮১৬২/১৮৩০৪, পাট্টা নম্বর ৮৫/১৩৫৪ (অরিবা) ২১৭১(অনৌবা) ওইবা ভিলেজ নম্বর ৮৫, সগোলবন্দ রিভেন্যু ভিলেজ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা |
| ০৩ | শ্রী সোইবম নন্দজিৎ সিংহ, অপোকপা এস ইবোহল সিংহ অমসুং গরেন্টর শ্রমতি এস (ওংবী) লৈশাংথেম প্রতিমা দেবী, মপুরোইবা এস নন্দজিৎ সিংহ, লৈফম্না শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুর এ/সি নং. ১০০২২০০২৩০০০০০৩ | (১) ১৮-১১-২০২২ (২) লুপা ১২,৫৫,৭৫০/- (৩) ০৩-০২-২০২৩ | সিএস দাগ নং. ৩০৪২, পাট্টা নম্বর ৪৮/৪২৫ (অরিবা), ৭৬০ (অনৌবা) ওইবা ভিলেজ নম্বর ৪৮, শিংজমৈ, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা লৈবা |

ওথোরাইজদ ওফিসার
ডি মণিপুর ৱিমেন'স কো ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদ
পাওনা বজার ইম্ফাল

HL-P/6010/10